# LOADING DOSE DIAZEPAM শীজিন্নদুনা য়ু থকপা (ALCOHOL WITHDRAWAL) লায়েংবা

– ডা. সোরাম মনিকান্তা –
প্রসিদেন্ট, ইন্দিয়ন সাইকিয়াট্রিক সোসাইটি, মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ
dr.smanikanta@gmail.com

য়ু, য়াম্না তোয়না শীজিন্নবা ময়াই কাবা পোৎশকশিংগী মনুংদা অমনি। মসি নহা, অহল, নুপা-নুপী, লায়রবা-ইনাকখুনবা, সহর-খুঙ্গং খায়দনা খুদিংমক্না শীজিন্নবা থেংনৈ। শীজিন্নবগী চাং অসি নুপাদনা চাদা ২৩-৭৪ ফাওবা ওইগনি অদুগা নুপীদনা চাদা ২৪-৪৮ ফাওবনি হায়না পানৈ। য়ুদা লাইচুরবা হায়বসি অমুক তোকপা, অমুক থকপা মতম কুইনা চথবা থৌওং অমনি। মসি থাদোক্লবা হোৎনবদা মখল মখা কয়াগী লাইওং থেংনবা য়াই। খুদম ওইনা খূৎ নিকপা, ওনীংবা ফাওবা অমসুং ওবা, হকচাং থিন্দোকপা, লাংতক্লবা, লৈতাদবা, থবক্তা পূক্নিং চঙবা ৱাৎপা, খোয়শাওনবা, হকচাং শোন্থবা, হুমাং কাবা, তরং চৎকে তৌবা, শারৈ হৌবা, মিৎতা মশেন-মরাং উবা, নাকোংদা নত্ত-নত্তবা খোঞ্জেল তাবা, তরং চৎপা, মফম মতম খঙবা ঙমদবা, অকিবা ফাওবা, চেন্নিংবা অমসুং লোৎনবা হোৎনবা, চিংনবা অসিনচিংবা কয়া লোয়নবা য়াই। মসিগুম্বা নুংঙাইতবা লাইওং কয়া অসিনা মখা তানা লেপ্তুনা য়ু থকপগী মরম অমা ওইহল্লি। মরম অসিনা য়ুদা লাইচুরবা মীওইশিংগী অহানবা লায়েংদি হায়রিবা Withdrawal Symptom হায়বদি য়ু থকপা লেপ্পা নৎত্রগা থকপগী চাং হন্থরকপা মতমদা থেংনরিবা অৱাবশিং অসি ফনবা হোৎনবা হায়বসিনি। মসিগীদমক মখল মখা কয়াগী লায়েং পথাপ কয়ামরুম চথৈ। মহি-মনাই মরাং কায়না পীথকপা, ওনীংবা অমসুং ওবা ফনবা হীদাক পীজবা, লাংতক্লবা অমসুং নিকপা ফনবা লায়েংবা, শারৈ হৌবা লেপ্নবা Anti Epileptic হীদাক পীবা অমসুং মখল মখা কয়াগী Anti Psychotic দ্রগ খরা হায়বা তারবদি Diazepam নৎত্রগা Chlordiazepoxide হায়রিবা হীদাক মখল অসিনি। অতৈ অতোপ্পা Benzodiazepines খুদম ওইনা Alprazolam, Flurazepam, Lorazepam, Oxazepam হায়রিবশিং অসি শীজিন্নদুনা লায়েংবদা খুদোংচাদবা কয়া থেংনৈ। মসি মতম চঙই অমসুং হীদাক তোয়না পীজবা মথৌ তাই। মরম অসিনা হায়রিবা দ্রগ মখলশিং অসি লান্না শীজিন্নরকপগী মরম অমা ওইহল্লি। Diazepam নৎত্রা Chlordiazepoxide শীজিন্নবগী মরু ওইবা মরমদি হীদাক চারবা মতুংদা মতম কুইনা হকচাংদা তুংদুনা লৈ অমসুং য়াম্না তোয়না মতম শাংনা চাবগী মথৌ তাদে। অতৈ দ্রগকা চাংদম্নবদা দ্রগ এব্যুজ হায়বদি লান্না শীজিন্নবগী চাং হন্থে। সাইদ ইফেক্ট কয়া লৈতে। মসি চাবনা শারৈ হৌবদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। হৌজিক ময়াম্না শীজিন্নরিবা লায়েংবগী মওং অসিদি Diazepam নৎত্রগা Chlordiazpoxide অসি নুমিৎ ৩-৭ ফাওবা কনাগুম্বনা নুমিৎ ১০-২০ ফাওবা হীদাক পীজদুনা লায়েংবা য়াওই। মসিগী অকক্লবা দোজ নৎত্রগা মতম লৈতবনা মরম ওইদুনা করিগুম্বদা মপূং ফানা লায়েংবা ৱাৎলি নৎত্রগনা ওভরত্রিটমেন্ট ওইবসু য়াই। Diazepam অমসুং Chlordiazepoxide হায়রিবা মখল অসি লোঙ এক্টিং দ্রগ ঙাক্তনি। মরম অসিনা য়াম্না তোয়না পীরবদি মসিগী দ্রগ অমসুং এক্টিভ মেটাবোলাইট অদু হকচাংদা তুংদুনা লৈ অমসুং সাইদ ইফেক্ট থোকহনবা য়াই। অলকোহোল ৱিদ্রোৱলগী চাং খেন্নবগী মতুংইন্না অকক্লবা দোজ সেদ্যুল অমদা দ্রগ পীবা হায়বসি চুনবা ৱাৎলি। পূম্নমক অসি য়েংলুরগা Loading dose Diazepam পীরগা লায়েংবগী মথৌ তারকই। দাইজিপাম অমসুং মসিগী Metabolite Desmethyldiazepam অসি পুং ৭২ হেন্না হকচাংদা তুংদুনা লৈ অমসুং মখা তানা পীবগী মথৌ তাদে।

অইবা ইশামক য়াওনা মীওই ৪৪ খনগৎলগা কাঙলূপ অনী থোক্লা খায়দোক্তুনা ষ্টদি অমা তৌখি। ষ্টদি অসিদা য়াওগদবা মীওইশিং অদু মশাগী চহী ১৫-৫০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপা ওইগদবনি। DSM-III-R Criteria fulfill তৌবা য়ুদা লাইচুরবা মীওইশিংনি। অকক্লবা Rating scale CIWA-A শীজিন্নদুনা এসেসমেন্ট তৌগনি। CIWA-A Score 10গী মথক্তা লৈবা মীওইশিংনি। হায়রিবা মীওইশিং অসি অকোনবা থকখিবা য়ু অদু পুং ৪৮গী মনুংদা ওইগদবনি। অহানবগী কাঙলূপ্তা (গ্রুপ-এ) অকক্লবা Diazepam dosage schedule অমা নুমিৎ ৭নি, মখাগী অসুম্না পীজৈ।

| Day | Total DZM | Morning | Night |
|---|---|---|---|
| 1 | 60 mg | 30 mg | 30 mg |
| 2 | 40 mg | 20 mg | 20 mg |
| 3 | 40 mg | 20 mg | 20 mg |
| 4 | 20 mg | 10 mg | 10 mg |
| 5 | 20 mg | 10 mg | 10 mg |
| 6 | 10 mg | - | 10 mg |
| 7 | 10 mg | - | 10 mg |
| | Total DZM - 200 mg | | |

অনীশুবা কাঙলূপ্তুনা (গ্রুপ-বি) DZM 20 mg পুং অনী খুদিং মীওই অদুনা তূমনিংদ্রি ফাওবা নৎত্রগা CIWA-A Score 10গী মখাদা হন্থদ্রি ফাওবা পীজগনি। হীদাক পীজখিবা পুং ১গী মতুংদা CIWA-A শীজিন্নদুনা এসেসমেন্ট তৌগনি অমসুং নুমিৎ খুদিংগী কাঙলূপ অনীমক্কী মীওইশিং অয়ূক্কী অকক্লবা পুংফম অমদা এসেসমেন্ট তৌই। CIWA-A Scale অসি ITEM 15 য়াওই। ITEM শিং অদুদি Nausea and Vomiting, Tremor, Sweating, Tactile Disturbances, Amditory Disturbances, Visual disturbances, Hallucination, Clouding of sensorium, Quality of contact, Anxiety, Agitation, Thought disturbances, Convulsion, Headache and Flushing হায়রিবশিং অসিদা অপূনবা স্কোর ৮৬ লৈ।

চাংয়েং অসি চথবা মতমদা গ্রুপ-বিগী মীওই ১৩না ৬০ এম জি অদুগা মীওই ৭না ৮০ এম জি, চাংচৎতা 67mg Dizepam মথৌ তাখি। কাঙলূপ অনীমক্তা লৈখিবা মশাগী চহী অসি চাংচৎতা ৩৬/৩৭ ওইখি। য়ু থকপা হৌখিবা চহীনা চাংচৎতা 20 ± 4.72 ওইবা থেংনৈ। মশাগী চহী ২০দগী ৩৬ ফাওবা অসিদা নুমিৎ খূদিংগী য়ু থকপা হৌরকপনা চহী ১১-১২ ফাওবনি। অদুগা য়ুদা লাইচুবা হায়বদু ওইরকপনা চাংচৎতা চহী ৩নি। য়াম্না চেকশিনগদবদি য়ু থকপা হৌরকপগী চহী মতাং অসি চাওরাক্লা ১৫-২০ ফাওবগী মতম অসিনি। নোংমদা চাংচৎতা য়ু ১৫৬-১৬১ এম জি থকই। হায়রিবা দাটাশিং অসি কাঙলূপ অনীমক্তা থোয়না খেন্নবা উদে। য়াম্না ইন্টরেষ্টিং ওইবা ফাইন্দিং অমা হায়বা তারবদি অহানবা কাঙলূপ্তা নুমিৎ ৫নি ফাওবা অদুগা ২শুবা কাঙলূপ্তুনা নুমিৎ মরিনি ফাওবা য়াম্না সিগনিফিকেন্ট ওইনা ৱিদ্রোৱল সিম্পটোম হন্থবা থেংনখি। নীনি শুবা নুমিৎতা হন্থখিবা চাং অদু গ্রুপ - বি কাঙলূপ্তুনা শিংথানিংঙাই ওইনা হন্থবা থেংনৈ।

| Day | Gr-A | Gr-B | |
|---|---|---|---|
| 1 | 13.42 ± 2.63 | 13.95 ± 2.13 | |
| 2 | 9.38 ± 2.24 | 8.30 ± 2.65 | |
| | 4.04 + 2.26 | 5.65 + 2.11 | (2.35) |
| | | | P< 0.05 |

মসি ওইথোকপা য়াবগী মরমদি নীনি শুবা নুমিৎতা দাইজিপামগী চাং গ্রুপ বি কাঙলূপ্তুনা হেন্না য়াওবা মরম্না ৱিদ্রোৱল সিম্পটোমশিং অদু ফগৎপা হেল্লিবনি হায়বসিনি। মসিনা কনফিদেন্স হেনগৎহল্লি অমসুং মখা তারকপা নুমিৎশিংদা ৱিদ্রোৱল সিম্পটোমশিং অদু মপূং ফানা থেংনবদা খুদোং চাহল্লি। অসিদসু নত্তনা অহানবা অহিংদুদা ফজনা তূম্বগী চাংসু গ্রুপ বি কাঙলূপ্তুনা হেল্লি। মসি মথংগী নুমিৎ মরিনি ফাওবা ফজনা চথখি। মসিনা তাকপদি অহানবা নুমিৎতা দাইজিপাম দোজ মপূং ফানা পীহৌরবদি নুমিৎ তরেৎনি দাইজিপাম পীদুনা লায়েংবগা মান্ননা ইফেক্টিভ ওই। শম্না হায়রবদা Loading dose Diazepam পীদুনা লায়েংবনা খুদোংচাবা হেল্লি, শেল চঙদে অমসুং মতুং তারকপদা দাইজিপাম এব্যুজ হায়বদি লান্না শীজিন্নবদগী কনবা ঙমগনি। অদুবু চেকশিনগদবদি লায়েংগদৌরিবা মীওইশিং অদু য়ু নত্তনা অতোপ্পা মখল অমত্তগী দ্রগ শীজিন্নদবা ওইগদবনি। হায়বদি Multi drug user ওইরোইদবনি, Psychiatric illness লৈতবা মী ওইগদবনি। Hallucination হায়বদি নাকোংদা লান্না তাবা মীওই য়াওরোইদবনি। Diazepam allergic ওইবা নৎত্রগা পীবা য়াদবা খুদম ওইনা Bronchial Asthma, Chronic Bronchitis, Liver failure য়াওবা য়াদে। য়াম্না হেন্না শাথীবা ৱিদ্রোৱল সিম্পটোম মরু ওইনা Delerium tremens নচিংবদি লায়েং মখল অসি চথবদা খুদোং চারোই। অসিদসু নত্তনা সাইদ ইফেক্ট লৈব্রা হায়দুনা য়েংনবা দাইজিপাম চ্যেক লিষ্ট অমা শীজিন্নগনি। মখোয়শিং অদুদি Atana, Dysarthria, Cognitive and Psychomotor Impairement, Hostile, Agressive behaviour, Heart and Respiratory Depression.

National Mental Health Survey 2015-2016 কী মতুংইন্না মণিপুরদা য়ু থকপগী চাং ৱাংই। নহা ওইরিবা মীওইশিংনা চাকচা হৈজানবা, পিকনিক চৎপা, বর্থদে, এগজাম ফেল ওইবা, নুংশিনবা কায়নবা থৌদোক কয়াদা য়ু শীজিন্নবগী হৈনবী অমসু লৈ। মসিদা মমা মপাশিংনসু থোইনা লুনা খন্দে। চহী নৌনা য়ু থকপা হৌবা হায়বসি অফবা নত্তে। য়ুদা লাইচুরবা মতুংদসু ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা চৈরক্কদ্রা কিবদগী লায়েংবা থোরকপা ৱাৎলি। নহাশিংগী মরক্তা দ্রগ শীজিন্নবগী হৈনবী অমা লৈবা মরম্না নুমিৎ ১০-২০ ফাওবা নিতিগী হীদাক পীজদুনা লায়েংবা হায়বসি তুংদা দ্রগ এব্যুজ ওইরক্লবগী মরম অমা ওইহল্লি। অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা Long Acting Benzodiazipine শীজিন্নবনা Short Acting Benzodiazepine শীজিন্নবদগী খুদোংচাবা হেল্লি। মরম অসিনা অলকোহোল ৱিদ্রোৱল ষ্টেট লায়েংবদা One day Diazepam loading dose অসি অলটর্নেটিভ লায়েং পথাপ অমা ওইনা শীজিন্নবদা কান্নগনি খল্লি। ●

# হীদাক কানরবা পাম্বীশিং ঃ চাম # ৩১৬

– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা অদুম মরাং কায়না হৌবা হীদাক ওইনা শীজিন্নবা উ পাম্বীশিংগী মনুংদা চাম হায়রিবা পাম্বী অসিসু অমনি। পাম্বী অসি ইংলিসতা চাপ্লাস ত্রী (Chaplash tree) নৎত্রগা চাপ্লাসপ ত্রী (Chaplasp), হিন্দিদা চাম্বোল (Chambol) নৎত্রগা চাম্বুল (Chambul) নৎত্রগা চাম-কাথাল (Cham-Kathal) নৎত্রগা কান্থালি চাম (Kanthali Cham) নৎত্রগা চাম ফুল (Cham Phol) নৎত্রগা চামা (Chama), চাইনিজদা য়ে সু বো লুও (Ye shu bo luo), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা আর্টোকার্পস চাপ্লাসা (Artocarpus chaplasha Roxb.) নৎত্রগা আর্টোকার্পস মেলিনোজাইলস (Artocarpus melinoxylus Gagnepain) নৎত্রগা আর্টোকার্পস চামা (Artocarpus Chama Buch. - Ham) নৎত্রগা য়ুরোসটিকমা ক্রাইশোপথালমস (Urostigma Chrysopthalmus Miq.) নৎত্রগা সাকস চাপ্লাসা (Saccus chaplasha (Roxb.) Kuntze) হায়না কৌই অমসুং মোরসী (Moraceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ অসিদা চনবা অতোপ্পা মরু ওইবা পাম্বী খরদি থৈবোঙ পাম্বী (আর্টোকার্পস হেটেরোফাইলস), হৈরাঙ্গোয় পাম্বী (আর্টোকার্পস লাকুচা), হৈবোঙ পাম্বী (ফাইকস গ্লোমেরাতা), অশি হৈবোঙ পাম্বী (ফাইকস হীসপীদা), কাব্রংচাক পাম্বী (মোরস লেঙিগাতা) অসিনচিংবনি।

চাম পাম্বী অসি ফুট ১০০ রোম ৱাংবা দেসিদুঅস হায়বদি নিংথমথাগী মতমদা মনা কেনগনবা উজাও পাম্বীনি। পাম্বী অসি মতোন্দা মনা য়াম্না পুঙবা অদুগা মসা-মরেং য়াম্না লোঙবা অদুগা মখোক অদু সেন্টিমিটর ১০০দগী ১৬০ ফাওবা চাওবা পূক্নিং হুনা ফজবা উ অমনি। পাম্বী অসিগী লাবা অমসুং অমোমগী কয়াৎশিং অদু তোঙান তোঙান্না পাল্লি। লাবগী কয়াৎ অদুনা শাংতক্লা কোয়দানৈ (ইলিপসোইদ) অদুগা অমোমগী কয়াৎ অদুনা মতুম তাই (গ্লোবোজ)। চাম পাম্বীগী মহৈ অদু হেক য়েংবদা হৈবোঙ পাম্বীগী মহৈগা মশক য়াম্না মান্নৈ। অদুবু সেন্টিমিটর ৫দগী ৬ লোমতমক চাওই।

পাউদমশিংগী মতুংইন্না চাম পাম্বী অসি হিমালয়গী অয়াম্বা মফমশিং অমসুং অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী অয়াম্বা মফমশিং মরু ওইনা মণিপুর, অরুনাচল প্রদেশ অমসুং অসামগী মফমশিংদা মহৌশাগী ওইনা হৌজৈ। পাম্বী অসি অন্দমান অমসুং নিকোবর ঈথৎশিং অমসুং ম্যান্মারদসু মহৌশাগী ওইনা থোইদোক্লা মরাং কায়না হৌবগী পাউদমসু লৈ। বাংলাদেশ, ভুটান, মলেসিয়া, লাওস অমসুং থাইলেন্দদসু পাম্বী অসি মহৌশাগী ওইনা হৌজৈ। সিক্কিমদসু চাম পাম্বী অসি হৌই। চাম পাম্বী অসি খ্বাইদগী ঈংবদা সেন্টিগ্রেদ ১৫দগী ৩০ অদুগা খ্বাইদগী শাবদা সেন্টিগ্রেদ ৩৬তগী ৪০ ফাওবদা মপূং ফানা হৌই অদুগা নোংজুগী চাংনা সেন্টিমিটর ২০৩দগী সেন্টিমিটর ৪০৮ ফাওবদা য়াম্না চুশিন্ননা হৌই। খরা হেন্না ঈংবা অদুগা নোং ইচু চুদবা মফমদদি চাম পাম্বী অসি মপূং ফানা হৌবা ঙমদে। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি চাম পাম্বী অসি জিরিবাম অমসুং তমেংলোংগী মফমশিংদা ফজনা হৌবা থেংনৈ।

চাম পাম্বী অসি মীওইবনা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নৈ। পাম্বী অসিগী উ অদু মহুৎ কুপতক (ফাইন গ্রেন) তৌনা ময়েক থোকপা অমসুং য়াংতক তৌই অমসুং উপু কাংথোল, থোঙ-থোঙনাও চনবদা য়াম্না পান্নৈ। উ অদু হোরায় খায়বদা ইৱা ৱাদবা অমদি লায়না পোলিস তৌবা য়াবা মরম্না উগী লৈতেংগী পোৎথোকশিং শাবদা পাক শন্না শীজিন্নবগী মথক্তা প্লাইৱুদ (Plywood) শেম্বদসু য়াম্না খুদোং চাই। হঙ্গাম মপালদা ঙাংতক তৌবা মচুগী উ অদু ষণ গাড়ীগী কাংখোং (Wheel), অচা অথক অমসুং অকে অমৌগী হায়বদি লীক-কোন হাপ্পবা অপীকপা উপুশিং শাবদসু শীজিন্নৈ।

য়াম্না কুইরবা মতমদগী চাম পাম্বী অসি অনাবা মখল কয়ামরুমদা হীদাক ওইনা শীজিন্নরকপগী পাউদমশিং লৈ। অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী ত্রাইবেল কাঙলূপ খরনা চাম পাম্বীগী নৌতক তৌবা উগী মকু অদু নূঙদা তকখায়রগা শেম্বা অনংবা মহী অদুনা চাং নাইনা তৈদুনা মখল মখা কয়াগী উনশাগী লায়নাশিং লায়েংনবগী পাউদমশিং লৈ। লেবোরেটরিদা চাংয়েং চথবদগী খঙবা ঙমখ্রে মদুদি চাম পাম্বীগী উগী মকু অদু মিথানোল হায়রিবা য়ু মখল অদুদা শুগাইরগা শেম্বা মহী অদু শীগেলা দাইশেন্তেরি (Shigella dysentariae), ক্লেবসিলা ন্যুমোনিয়া (Klebsiella pneumonia), ভিব্রিয়ো কোলেরী (Vibrio Cholerae), এশেরিকিয়া কোলাই (Escherichia coli), ষ্টেফাইলোকোকস অওরিয়স (Staphylococcus aureus) অমসুং স্ত্রেপতোকোকস ন্যুমোনী (Streptococcus pneumoniae) হায়রিবা মহীকশিং অসি ঙাকথোকপা ঙম্মী। হায়রিবা অশেম্বা মহী অদু মীওইবগী হকচাংদা হূ কাবা অদু লৌথোকপা ঙম্বগী মথক্তা দাইবেটিস হায়রিবা ঈশিং পুকচৎকী লায়না অসিদসু কান্নবা ফল পীবা ঙম্মী হায়নসু পাউদম অদুনা মখা তারি।

চাংয়েং অদুদগী খঙবা ঙমখ্রে মদুদি চাম পাম্বীগী মকু অসি কোলেরা, খোঙ হামথবা অমসুং ন্যুমোনিয়া হায়রিবা অরুম লাইহৌগী লায়না অসিদা হীদাক ওইনা শীজিন্নবা য়াগনি হায়বসিনি। খোঙ-খূৎ লৈথেক্তুনা অমদি শুজিন্দুনা ঈ অশিবা চঙবদা চাম পাম্বীগী উগী মকু অদুগা মরাগী মকু অদুগা চাং মান্ননা লৌরগা ফজনা শুগাইরগা শেম্বা মচল অদুনা অশোকপা মফম অদুদা চাং নাইনা তৈদুনা অমদি থোমদুনা য়াম্না কুইরবা মতমদগী লায়েং পথাপ অসি শীজিন্নরক্লি। অশেম্বা অদু তৈবদা অশিবা ঈ অদু থুনা চিংথোকহল্লি। হায়রিবা অরিবা লায়েং পথাপ অসি বিজ্ঞান্না থিজিনবদগীসু চুম্লে হায়না প্রমান তৌখ্রে। হায়রিবা অনাবা অসিদা চাম পাম্বীগী মনা অদু মিথানোলিক (Methanolic), ইথানোলিক (Ethanolic) হায়রিবা য়ুশিং অমসুং ইথাইল এসিটেৎ (Ethyl acetate) অমসুং ক্লোরোফোর্ম (Chloroform) হায়রিবা কেমিকেল মহীশিং অদুদা তুমহল্লগা শেম্বা মহী অদুসু য়াম্না ফহনবা ঙম্মী হায়বসিসু লেবোরেটরিদা চাংয়েং চথবদসু খঙবা ঙমখ্রে। অতোপ্পা পাউদম খরগী মতুংইন্না চাম পাম্বীগী নৌতক তৌবা মনা অদু শুগাইরগা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা খোঙ হামথবা অদু য়াম্না কুইরবা মতমদগী হীদাক ওইনা শীজিন্নরক্লি। উনশা চাথৎপদা চাম পাম্বীগী মনা অদু ঈশিংদা শুগাইরগা লৌবা মহী অদুনা অশোকপা মফম অদু চাং নাইনা চামথোকপদা কান্নবা ফল ফংবা ঙম্মী। চাম পাম্বীগী অকংবা মরা অদু কূপ্না তকখায়রগা খোইহীগা তোৎলগা পীজবদা হরা-কংখু অদু ফহল্লি হায়না পাউদল্লি। ●

ষ্টেটকী পাউ

## পাসপোর্ট অমদি মরী লৈনবা থবকশিংগীদমক মীয়ামদা খুদোংচাহল্লগনি: আর কে রঞ্জন

ইম্ফাল, নভেম্বর ১৯ (ঐচএনএস):




মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফ্যের্স, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা পোষ্ট ওফিস দিপার্টমেন্টকা খূৎশম্নদুনা ককচিংদা পোষ্ট ওফিস পাসপোর্ট সেভা কেন্দ্র (পি ও পি এস কে) অমা ডা. আর কে রঞ্জন, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর এক্সটর্নেল এফ্যের্স এন্দ এদ্যুকেসননা ঙসিদগী হাংদোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফ্যের্স, রিজনেল পাসপোর্ট ওফিসর, গুৱাহাটি অনীনা শীন্দুনা ককচিং সুমাক লৈকায়দা লৈবা জেনুরম হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ডা. আর কে রঞ্জন, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর এক্সটর্নেল এফ্যের্স এন্দ এদ্যুকেসননা অথোইবা মীথুং অমসুং ময়াংলম্বম রামেশ্বর, এম এল এ, ককচিং এ সীনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

অথোইবা মীথুং ওইখিবা ডা. আর কে রঞ্জন, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর এক্সটর্নেল এফ্যের্স এন্দ এদ্যুকেসননা ফোঙদোকখিবদা পোষ্ট ওফিস পাসপোর্ট সেভা কেন্দ্র (পি ও পি এস কে), ককচিং অসি কুমজা ২০১৯গী ফেব্রুৱারি থাদগী চাংয়েং ওইনা হৌদোরকখিবনি। মীয়াম্না পোষ্ট ওফিস পাসপোর্ট সেভা কেন্দ্র অসিগী কান্নবা নীংথিনা ফংবা ঙমহন্দবদগী ঙসিদগী মপূং ফাবা পি ও পি এস কে ওইনা হাংদোকপনি।

মিনিষ্টর ওফ এক্সটর্নেল এফ্যের্সনা পোষ্ট ওফিসকা খূৎশম্নদুনা ইন্দিয়াগী সিটিজন খূদিংমক্না পাসপোর্ট শাবা অমসুং মরী লৈনবা থবকশিংগী খুদোংচাবা ফংনবগীদমক ইন্দিয়াগী মফম কয়াদসু পি ও পি এস কে অসি হাংদোক্লি। মণিপুরগী ওইনসু পাসপোর্ট সেভা কেন্দ্র অমা হান্ননা ইম্ফালদা অনকপা, খুদোংচাগদবা মফমদা ফংহন্নবগী পান্দমদা মণিপুরগী ইহান হানবা ওইনা পি ও পি এস কে অসি ককচিংগী পোষ্ট ওফিসতা হাংদোকপনি।

ককচিংদা লৈরিবা পি ও পি এস কে অসিনা ককচিং অমসুং খুল্লোন্নবা মফমশিংদা লৈরিবা পাসপোর্টকী মথৌ তারবা মীয়ামদা হেন্না মতেং পাংলগনি ফোঙদোকখি। লৈবাক অসিদা পাসপোর্ট সেভা কেন্দ্র ৩৬, পোষ্ট ওফিস পাসপোর্ট সেভা কেন্দ্র ৯৩ অমসুং পোষ্ট ওফিস ৪২৮ না মীয়ামগীদমক মথৌ তৌরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পি ও পি এস কে ককচিং হাংদোকপগী থৌরম অদুদা চেরাকুং জেলিয়াং, আই এফ এস, রিজনল পাসপোর্ট ওফিস, গুৱাহাটি, সোম কামৈ, আই পি ও এস, পোষ্টমাষ্টর জেনরেল (এন ঈ-২) দিপার্টমেন্ট ওফ পোষ্ট অমসুং প্রভাত কুমার, আই এফ এস, এদিসনল সেক্রেটরি (পি এস পি) এন্দ চীফ পাসপোর্ট ওফিসলসু শরুক য়াখি।

ককচিং সুমাক লৈকায় জেনুরাম হোলদা পাঙথোকপা মপূং ওইবা থৌরম অদুদা জিওগ্রাফিকেল ইন্দিকেসন (জি আই) টেগ ফংলবা মণিপুরগী ইন্নফি শাফি-লানফীগী অখন্নবা কোভর অমসু মীয়াম মাঙদা অথোইবা মীথুংনা রিলীজ তৌখি। তুংদা ককচিং, কৈথেল, লবঙ্গো পরেংদা লৈবা ককচিং পোষ্ট ওফিসতা হাংলিবা পি ও পি এস কে অদু অথোইবা মীথুংনা রিবোন কক্তুনা হাংদোকখি।

## অহানবা ফাওন্দেসন ডে পাঙথোকখ্রে


ইম্ফাল, নভেম্বর ১৯ (ঐচএনএস):

নম্বোল সাবল লৈকায় অমদি অকোয়ববু হেন্না চাওখৎপা মায়কৈদা পুরক্লবা লিংখৎখিবা নম্বোল সাবল লৈকায় মমাঙদা লৈবা শেমগৎ শাগৎ সোসাইটি (এস এস এস)গী অহানবা ফাওন্দেসন ডেগী থৌরম ঙসি সোসাইটি অসিগী শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা থৌনাওজম বসন্ত রিটায়র্দ আই পি এসনা চীফ গেষ্ট, হোদাম ইবোচৌবা এক্স-কাওন্সিল্লর নম্বোল সাবল লৈকায়না প্রসিদেন্ট, য়ূম্নাম জুগেশ্বর সিংহ, লৌরিয়াম অঙৌতোম্বা, পুখ্রম্বম জয়চন্দ্র অমদি খ্বাইরাকপম চাওবা লৈকায়গী অহলশিং অসিনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা টিঐচ বসন্তনা ফোঙদোকখিবদা, শেমগৎ শাগৎ সোসাইটিনা দিভলপমেন্টতা বেজ তৌরগা থবক কয়া পায়খৎলক্লি। সোসাইটি অমা লৈতবা য়াদে হায়দুনা লৈকায়গী নহাশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা এস এস এস লিংখৎপা অসি য়াম্না থাগৎলি। এস এস এস অসি লৈকায় অসিগী দিভলপমেন্টকীদমক্তা লৈবা সোসাইটি অমনি হায়খি।

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্লগসু হামেং মথিগুম্না মৰূ-মৰূ খজিক্তুং হাম্লগা তোকপা, পূক্তা য়েক্লি-য়েক্লি তৌরগা খোঙ হাম্নিং-হাম্নিং তৌরগা লৈবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, অমাংথোঙ মনুং অমদি মপান্দা পোম্বা, অমাংথোঙ মনুংদসু খুজিনবা মরক-মরক্তা খোঙ হাম্বদা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্লগসু হামেং মথিগুম মৰূ-মৰূ খজিক্তুং হাম্লগা তোকপা, খোঙ মপূং ফানা হাম্বা য়াদবা অমদি অমাংথোঙদু পোমথোরকপা হীদাক চারবসু চারিবা ফাওবতং খোঙ মপূং ফানা হাম্বা য়াবা অমদি অমাংবদু পেৎনা হাম্বা, চাদ্রগনা মপূং ফানা হাম্বা য়াদবা অমদি অমাংবদু হমেং মথিগুম্না মৰূ-মৰূগুম্না হাম্বা, পূক য়েক্লি-য়েক্লি তৌরগা খোঙ হাক্লিংলগতা লৈবা, খোঙ হাম্বা চঙলুরগনা মপূং ফানা খোঙ হাম্বা য়াদবা, অমাংথোঙ মপান্দা চেখায়বা, খোঙ হাম্বগী শংবদা অমাংথোঙ মপান্দু চেখায়রগা মদুদগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, অমাংথোঙ মপান্দা চেখায়বা অদু হীদাক তৈরবসু ওইশিল্লু য়াদবা, অমাংথোঙ মনুং অমদি মপান্দা পোম্বা হান্না পোম্বা অদুগী মনাক্তা চনম মৰূমুক মচা অমসু পোম্লকপা অকোনবা পোম্লকপা অদু য়াম্না চিকপা-নাবা তৌরগা খাঙবা ঙমদবা, খূৎনা থেংবদসু নাবা, অমাংথোঙ ময়াদা অকোনবা পোম্লকপা অদু চিকই হায়না য়েংবা মতমদা মতোন্দা নাই চারকপা, নাই অদু মেৎথোকখ্রগা চিকপা অদু ফবা, খ্বাঙ নাবা, ঙকশম মরী নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

থাগৎচরিবা : L. Tomba Singh
Kongba Standard College Road

HL-B/7236/20

**BOARD OF SECONDARY EDUCATION**
**MANIPUR**

ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ / **NOTIFICATION**

**Imphal, the 19th November, 2021**

**No.G/13(Vol-VII)/2021 (DR) :** In continuation of this office notification of even no. dated the 3rd November, 2021, it is notified for information of all concerned that the answer keys for Questions of written test for the posts of Section Officer, Accountant, LDC, Peon, Sweeper are being uploaded in the website www.bosemrecruitment.in.

Examinees may submit their objections/comments to the answer keys/ Questions on or before 26/11/2021 to manipurbosem@gmail.com. with relevant explanations and proof. Any complain received after this date shall not be entertained.

Sd/- **L. Mangi Singh**
Controller of Examinations

HL-P/0695/20

**MANIPUR STATE POWER DISTRIBUTION COMPANY LIMITED**
(Regd. Office: Secure Office Complex, 3rd Floor, North AOC, A. T. Line, Imphal West, Manipur – 795001)

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE INVITING TENDER**
Imphal, Dated the 15th November, 2021

No. 2/266(AB Cable-O&M)/2021-MSPDCL-TECH/ 3371-78 : Manipur State Power Distribution Company Limited (MSPDCL) a Government of Manipur enterprise invites Sealed Tender for **supply of XLPE insulated AB Cables with insulated messenger cum neutral wire** required for Deposit works and Operation & maintenance of MSPDCL from the **Original Equipment Manufacturer(OEM)** through on-line submission.

| | |
|---|---|
| **Due date for uploading of Technical Bids & Financial Bids (on-line) and submission of Technical Bids in Hard Copy (for Verification)** | **10/12/2021 upto 11.00 A.M.** |

For details interested bidders may visit website **www.manipurtenders.gov.in/ www.manipur.gov.in**

Interested bidders may visit the website regularly and remain updated for any amendments/modifications /Corrigendum etc on the abovementioned Tender. No separate notifications will be given for such amendments/modifications/Corrigendum etc in the print media (Press) or intimated to the bidders separately.

Sd/- Ng. Subhachandra Singh
Managing Director
MSPDCL

HL-B/7292/20

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।